## য়ু কেদা শিবা ২০,০০০ য়ৌবা য়াই

লন্দন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোরোনা-ভাইরসকী লাইচৎ য়ারিবমখৈ তপথহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনসু লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিদা শিবা মী মশিং ৭,০০০ তগীনা ২০,০০০ ফাওবগী মরক্তা হেনগৎলকপা য়াই হায়না গভর্নমেন্টকী লায়না-লাইচৎ থেংনবগী থৌরাংশিং শেম্বদা মতেং পাংখিবা লন্দনদা লৈবা ইম্পেরিয়ল কোলেজগী প্রোফেসর অমা ওইরিবা নীল ফর্গুসন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## ফন্দ হেন্না পীনবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং য়াম্না লৈবা ষ্টেটশিংদা দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্টকী ফন্দ হেন্না পীননবা কোংগ্রেস লিদর অহমদ পটেলনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা দিম্মান্দ তৌখ্রে। ষ্টেটশিংদা ষ্টেট দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্টকী ফন্দগী চাকথুং পীবা মতমদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯গী কেস অমদি হোটস্পোটশিংগী মশিং খন্নগদবনি হায়না পটেলনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

# সোসল দিষ্টেন্সিং চেকশিন্না ঙাকহন্দুনা সাউথ কোরিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস নোংমদা ৫০ দগী হেনহল্লরোই



সিওল, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
সাউথ কোরিয়াদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন নোংমদা ৫০ রোমগী চাংদগী হেনগৎহন্দনবগীদমক্তা হান্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোইনবা লেপখিবা সোসল দিষ্টেন্সিংগী অকনবা কেম্প্যেন চয়োল অনী শাংদোল্লগনি হায়না লৈবাক অসিনা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

সাউথ কোরিয়ানা চাইনাগী ৱাংমদা থোকপা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা লাইচৎ অঙন্বা থাক্তা কন্ট্রোল হোৎনরদুনা নুংতিগী থেংনবা অনৌবা কেস মশিং ১০০ রোমদগী হেনগৎহন্দনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং চর্চশিং, হোস্পিটালশিং অমসুং নর্সিং হোমশিংদা লাইচৎ খরা-খরা শন্দোকপগী ফিভমগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা মপান্দগী চঙলকপশিং নৎত্রগা মনুংদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংগী মরক্তা মখা তানা ইনফেক্সন খরা থেংনবদি লেপত্রি।

হৌখিবা মার্চ ২১ দগী চৎনবা হৌখিবা সোসল দিষ্টেন্সিংগী পোলিসি মখা তানা শাংদোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা গভর্নমেন্টনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা মখা তানা চয়োল অনী শাংদোক্লবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

থৌরাং অসিগী মখাদা হায়-রিস্ক ফেসিলিটিশিং থিংজিনবগা লোয়ননা লাইনিং-লাইশোন, স্পোর্টস অমসুং ইন্টরটেমেন্টগা মরী লৈনবা মী পুনবগী থবক পুম্নমক থিংখি। মতম খরা সোসল দিষ্টেন্সিং চৎনরক্লবসি হন্দক্তা মপান্দগী পুশিল্লকপা কেসশিংগী মশিং হেনগৎলক্লিবসি য়েংদুনা খুদক্তা কোমথোক্লবা খন্নবা হায়বসি হাথু-হাথুবা ৱারেপ অমা ওইবা য়াই হায়না হেল্থ মিনিষ্টর পার্কনিয়ুং-হুনা ফোঙদোকখি।

ইম্পোর্টেদ কেস অমসুং লোকেল ইনফেক্সন খরা থেংনখিবনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্টনা মথং চয়োলদা স্কুলশিং অমুক হন্না হাংবগী থৌরাং খুদক্তা কেন্সেল তৌখি। ঐখোয়গী পান্দমদি ইনফেক্সন য়ারিবমখৈ কন্ট্রোল তৌদুনা পর্সনেল অমসুং অনাবগী বেদশিং য়াওনা ঐখোয়গী হকশেল অমসুং মেদিকেল সিষ্টেম্না মখোয়বু মহৌশাগী ফিভমদা য়েংশিনবা ঙম্নবা হোৎনবনি। পেসেন্ট মশিং ৫০ দগী হেন্দবা তারবদি অরুবা কেসশিং য়াওনা প্রেসর লৈতনা অনা-লায়েং চথবদা খুদোংচাহনগনি হায়না পার্কনা মখা তাখি।

# গভর্নমেন্ট ওর্দর থুগায়বগী পাক ক্লারিক বুক তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস থিংনবগীদমক্তা লাইশোন থৌরমগা মরী লৈননা মী পুনবদা অথিংবা থমখিবা গভর্নমেন্টকী ওর্দর অমা ইন্দবগীদমক্তা পাকিষ্টানগী ক্লারিক মৌলাহ অব্দুল অজিজ অমসুং অতৈ তরুক্কী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসগী মতুং ইন্না পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা মী পুন্দুনা লাইশোন থৌরম পাঙথোকপদা অথিংবা থম্বা লৈন-লৈনা অজিজনা ইস্লামাবাদকী মমিং লৈরবা লাল মসজিদতা ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরমগীদমক্তা মীয়াম পুলহনখি অমসুং মহাক্না মীয়ামগী ৱাখল মথুম-মরাং হৌহনগদবা ৱাফম কয়া পন্দুনা ৱা ঙাঙখি। পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মোস্ক অদুগী অকোয়বদা দিপ্লোই ওফিসরশিংনা তৌরিবা ক্লারিক অদুদা মী পুন্দুনা লাইশোন পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লিবদু খঙহনবগা লোয়ননা অমসুং লাউদ স্পীকর লান্না শীজিন্নবা য়ারোই হায়নসু চেকশিন্না খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ৱাফমশিং অসিদা থৌশাখিদে। কেপিটেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুলিসতা মোস্কশিং, ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরমদা ৱা ঙাঙলিবশিং অমসুং অথিংবা থুগায়রিবা ইমামশিংগী ওইবা দেতা খোঙগৎনবা খঙহনখিবনি।

# কোভিদ-১৯ কেস কনফার্ম তৌবদগী মাইগ্রেন্ট কেম্প ক্বারেন্টাইন তৌখ্রে



এথেন্স, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
মশাগী চহী ৫৩ শুরবা নুপা অমা চাংয়েংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী গ্রীসনা লৈবাক অসিগী মেনলেন্দদা লৈবা অনীশুবা মাইগ্রেসন ফেসিলিটি ক্বারেন্টাইন তৌদুনা থম্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মাইগ্রেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মলাকসা কেম্পদা অতৈ রেফ্যুজি চা কয়াগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগা লৈমিন্নরিবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা অফঘান নুপা অদু এথেন্সতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা থমখ্রে হায়রি।

পব্লিক হেল্থ এজেন্সিনা মীওই অদু করম্না কোরোনাভাইরস পল্লল্লিবনো হায়বদু খঙনবা হোৎনরদুনা মহাক্কী কন্টেক্টশিংদা মখা তানা চাংয়েংশিং পাঙথোকখিগনি। হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা সেন্ট্রেল গ্রীসতা লৈবা রিটসোনা কেম্পদা মীওই ২০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী ক্বারেন্টাইন তৌখি। মদু কোরোনাভাইরস লাইচৎ হৌখিবদগী লাইচৎ অসিনা শোকহনবা গ্রীসতা লৈবা অহানবা অসিগুম্বা ফেসিলিটিনি। গ্রীস অসি কুমজা ২০১৫-১৬গী কনফ্লিক্টশিংদগী লাঞ্জেল্লকখিবা মীওই মিলিয়ন অমা হেনবগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা চঙনবগী মরু ওইবা গেটৱেনি হায়না লৌনরিবনি।

হৌজিক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ফেসিলিটিশিংদা মীওই ১১০,০০০ হেন্না লৈ। মীওই ৪০,০০০ দি ইথৎ মঙাদা লৈবা মীনা পাথোক্লবা কেম্পশিংদা লৈরিবনি। কেম্পশিংদা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট অমদি রেফ্যুজিশিংগী মশিং য়াম্না য়াম্বনা লায়না-লাইচৎ অসিদা শাথিবা ফিভম অমা লাকপগী অকিবা লৈ হায়না মাইগ্রেসন মিনিষ্টর নোটিস মিটারাচিনা স্কাই টিভিদা ফোঙদোকখি।

কঞ্জার্ভেটিভ গভর্নমেন্টনা ইথৎশিং অদুদা হৌজিক লৈরিবা কেম্প খুদিংমক ৱালনা ইকোয় কোয়না খাজিনবা দিটেন্সন সেন্টরশিং ওন্থোকপা পান্লবসু ফেসিলিটিশিং অদুবু পুংথিং থিংজিনবা পান্লিবা লোকেল ওথোরিটিশিং অমদি মীয়াম্না কন্না য়েৎলকপদগী থৌরাং অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াদনা লৈরিবনি। কেপিটেল এথেন্সকী অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্পা লৈবা মলাকসাগী কেম্প অদু চয়োল অনী ক্বারেন্টাইন তৌগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

# লান চহী ফারবসু লিবিয়াদা সীজফায়রগী মমি উদ্রি



ত্রিপোলি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
কেপিটেল ত্রিপোলি পায়শিন্নবগীদমক্তা ইষ্টর্ন-বেজ লিবিয়ন আর্মি অমসুং য়ু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্টকী মরক্তা লান হৌখিবা চহী অমা হৌখ্রবসু সীজফায়র চৎনহন্নবা মালেম পুম্বনা আপিল তৌবা লৈন-লৈনা লিবিয়াদা হৌজিকসু মখা তানা লান্থেংনরি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিল ৪ দা কেপিটেল সিটি পায়শিন্নবা অমসুং য়েংথিনরিবা য়ু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্ট চিংথুনবগী পান্দমদা ইষ্টর্ন-বেজ আর্মিনা ত্রিপোলি অমদি মসিগী অকোয়বা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা হৌখি। ইষ্টর্ন-বেজ আর্মিগী মিলিটরি কেম্প্যেন ফেল ওইরে হায়বা ৱাফম থাংজ নুমিত্তা লিবিয়াগী মিলিটরি এনালিষ্ট অমসুং থবক্তগী পোথারবা আর্মি জেনরেল অহমদ অল-হেস্নাৱিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইষ্টর্ন-বেজ আর্মিগী মিলিটরি কেম্প্যেন অদুদা মিলিটেন্ট অমসুং টেররিষ্ট লিশিং কয়া হাৎখিবগা লোয়ননা লান শোক্লবা ঙম্বগী মখোয়গী মতিক-ময়াই শোন্থহল্লবনি হায়খি।

য়ু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্টনা টর্কিদগী মিলিটরিগী মতেং লৌনবা হোৎনরক্লিবসিনা ত্রিপোলি তুরকপা য়াবগী ফিভম লাক্লে হায়বসি উৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না মায়কৈ কয়াদা লাঙ্গৈই চল্লবা ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্নমেন্ট অসিনা হায়জবদগী টর্কিনা মতেং পাংলকপা হৌখিবদগী গ্রাউন্দদা অহোংবা কয়া লাকপা উরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ত্রিপোলিদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসি ইষ্টর্ন-বেজ আর্মিগী কেম্প্যেন্দা খাংবা ঙল্লক্তুবা মতমদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা প্রেসর পীবগা লোয়ননা টর্কিনা মখোয়গী মীচংদা লান অসিদা য়াওশিনবদগী হৌখিবা জন্যুৱারিদা ইষ্টর্ন বেজ আর্মিনা লৈবাক অদুদা ট্রুস অমা চৎনবগী ৱাফম য়াখিবনি।

কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বরদা য়ু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্ট অমসুং টর্কিগী মরক্তা মিলিটরি কোওপরেসন পীনবগী দিল অনী খুৎয়েক পীনখি। দিল অনীদুগী মরক্তা অমা ওইরিবা মরিটাইম এগ্রীমেন্ট অমনা টর্কিনা নাকল অমদা লৈরগা অতোপ্পা নাকল অমদনা ইজিপ-গ্রীস অমসুং সাইপ্রসনা লৈদুনা মেদিটরিনিয়ন্দা ওইল অমসুং নেচরেল গ্যাস থিবগী মতাংদা ৱাথোক অমা লাকহনখি। ত্রিপোলিদা শোক্লরিবা লান অসিনা লিবিয়াবু তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাকহল্লে হায়না লিবিয়া স্পেসলিষ্ট মুক্তার তার্বেন্সিনা ফোঙদোকখি।

# ক্রাইম ব্রাঞ্চ টিমনা মর্কজ য়েংশিনখ্রে, জমাট চীফকী ফার্ম হাউস দ্রোন শীজিন্নদুনা মোনিটর তৌরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
হৌজিক মশা ক্বারেন্টাইন তৌদুনা লৈ হায়দুনা ক্লেম তৌরিবা মৌলানা মুহমদ সাদ কথাবিগী ৱাফম অসিগী অচুম-চুমদগী ইভিদেন্স থিরদুনা দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চগী টিম অমনা নিজামুদ্দিন এরিয়াদা লৈরিবা তাব্লিঘি জমাটকী হেদক্বাটরস য়েংশিনবগী থবক চৎথরি হায়রি।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী সাম্লি পুলিসনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মৌলানা সাদকী ফার্ম হাউস দ্রোন অমা শীজিন্নদুনা মোনিটর তৌরি। দিল্লি পুলিসনা সাম্লি পুলিসকা হকথেংননা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নবা নৎত্রবসু য়ু পিগী লোকেল পুলিসনা ফার্ম হাউস অদুবু শেন্নবগী থবক চথুরকখিবনি।

দিল্লি পুলিসকী সোর্সশিংগী মতুং ইন্না দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস জয়র্টিকি মশানা তাব্লিঘি জমাট হেদক্বাটরসতা চত্তুনা মৌলানা সাদনা ক্বারেন্টাইন তৌবগী ইভিদেন্সশিং লৌনবা হোৎনখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা এ সী পি অমসুং ইন্সপেক্টর থাক্কী ওফিসর কয়াসু লোয়নখি।

তাব্লিঘি জমাট হেদক্বাটরসতা য়াল্লবা পুলিস টিম অমা চত্তুনা য়েংশিনবা হায়বসি মর্কজ নিজামুদ্দিনগী পুৱারীদা অহানবনি। লোকদাওনগী ওর্দরশিং থুগায়বা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাফম ঙাক্তবগীদমক্তা দিল্লি পুলিসনা মৌলানা সাদ অমসুং অতৈ তরুক্কী মায়োক্তা নিজামুদ্দিনদা লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম অমা পাঙথোক্লম্বগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রবনি।

কেস অদু হেক লৌখৎখিবা মতুংদা মৌলানা সাদ মথন্তা তোঙান্না লৈরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মীয়াম মরক্তগী মাঙখিবনি।

# সোসল দিষ্টেন্সিংনা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসন থোকহন্দ্রিবনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ষ্টেজ অহুম নৎত্রগা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ফিভম লাকপা য়াবগী চিংনবা অমদি অকিবা কয়া লৈদুনসু সোসল দিষ্টেন্সিংগী থৌরাং অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা তাঙ্কক অসি য়ৌরকপা ঙমদ্রিবনি হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিসনগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. আর এন তন্দননা ফোঙদোকখ্রে।



এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. তন্দননা হায়খি, কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক্তা শেল-থুমগী থবক-থৌরম অয়াম্বা ফাওবা লেপহল্লিবা লৈবাক শীন-থুংনা চৎনহল্লিবা লোকদাওনগী মতমদা মীয়াম্না পুক্লিং ৱাখলগী ফিভম লুনা খন্নগদবনি। মীয়ামদা অপাম্বা খুদিংমক তৌজনবগী মতম পীরবনি হায়বা য়াই। পীরিবা মতম অসি মখোয়না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা শীজিন্নগদবনি।

জনতা কার্ফিয়ু অসিনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইদুনা ক্বারেন্টাইন তৌরিবা মীওইশিংদা থোইদোক্না খুদোংচাহল্লি। মসি মখোয়গী ফনবা অমদি মীপুম খুদিংমক্কীসু ফনবগীদমক্তা লৌখৎপা থৌরাংনি হায়না ডা. তন্দননা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিদা ভাইরস অসিগী শাথিরবা ষ্ট্রেন অমা লৈরম্লগদ্রা হায়বগী মতাংদা ডা. তন্দননা হায়খি মদুদি, ভাইরস অসি ম্যুটেসন তৌদুনা লৈবাক অসিগী অঙৈং-অশাগী ফিভমদা হৈনরম্বা য়াবগী ফিভম লৈরব্রা হায়বগী মতাংদা কমেন্ট পীবা হায়বসি খরা ঙনমল্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ভাইরস অসিগী ষ্ট্রেন চাইনাদা থেংনরিবা ষ্ট্রেনগা চাওরক্না মান্নে হায়না লৌবা য়াই।

রিপোর্টশিংনা হায়, ভাইরসনা ম্যুটেসন তৌবসি তোয়না থোকই। তৌইগুম্বসুং মসিনা কোরোনাভাইরসকী ষ্ট্রেনশিংদা কা হেন্না অহোংবা লাকহনবা নৎত্রগা মখোয়বু কা হেন্না শাথিহনবদি তৌদে। ভাইরসকী ষ্ট্রেন অমা হায়বসি ভাইরস অদুগী তোঙান-তোঙানবা সেল সর্ফেস প্রোটিনশিং য়াওবা সবটাইপ অমনি। রিছার্সরশিংনা হৌজিক কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা সার্স-কোভ-২ ভাইরসকী হৌজিক লৈরিবা ষ্ট্রেনশিং ট্রেকিং তৌরিবনি।

# দোক্তর খুদিংমক্না পি পি ঈ শীজিন্নগদবা নত্তে : হেল্থ মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স ভর্ধননা হরিয়ানাগী ঝজরদা লৈবা এইমসকী কোভিদ-১৯কী দেদিকেটেদ সেন্টর য়েংশিনখ্রে। মিনিষ্টরনা মেদিকেল ষ্টাফকা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ থেংননবা শেম-শাবগী ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা দোক্তরশিংদা মহাক্না হায়খি মদুদি, ক্বারেন্টাইন সেন্টর অদুগী প্রোটেক্সনগী মতাংদা অশোনবা নৎত্রগা অহোবা অমত্তা লৈহনবা য়াদে। অদুমওইনমক মীপুম খুদিংমক্না পি পি ঈ শীজিন্নগদবনি হায়বদি লৈতে। এইমসকী হৌজিক পি পি ঈ মেটরেল মতিক চানা লৈ। তৌবতবু পোৎ খুদিংমক শীজিন্নবদা গাইদলাইন অমমম লৈ। মীপুম খুদিংমক্না পি পি ঈ শীজিন্নরোইদবনি। ঐখোয়না হোস্পিটালশিংদা রুটিন ওইনা থবক তৌবা মতমদা মীপুং খুদিংমক্না পি পি ঈ শীজিন্ননিংঙাই ওইদে হায়না মিনিষ্টরনা দোক্তরশিংদা হায়খি।

ঝাগিরদা লৈরিবা কোভিদ লায়েংনবগী দেদিকেটেদ ব্লোক অদু হান্না কেন্সর পেসেন্টশিংগী ওইরম্বা হোস্পিটাল ব্লোক অদুগী মঙাশুবা ফ্লোরদা শেমগৎখিবনি। হান্না মফম অদুদা লৈরম্বা কেন্সর পেসেন্টশিং অদুনা হৌজিক গ্রাউন্দ ফ্লোরদা এদমিট তৌবগা লোয়ননা মঙাশুবা ফ্লোরদুদা কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিট তৌরিবনি। মফম অদুদা নোর্মেল বেদ ৪০ অমসুং আই সী য়ু বেদ ২৫ লৈ। হৌজিক ব্লোক অসিদা পেসেন্ট ৭তমক এদমিট তৌরি অমসুং মখোয় অমত্তা আই সী য়ুদা লৈবা নৎত্রগা ভের্ন্টিলেটর শীজিন্নবা য়াওদে। মখোয় লোয়নমক ৱার্দতা লৈ হায়না দোক্তরশিংনা ভর্দনদা ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল অদুদা পেসেন্ট ৩০০গী কেপাসিটি লৈবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা চাদা ৫০গী কেপাসিটিদমক শীজিন্নরি। মেদিকেল ষ্টাফনা হেল্থ মিনিষ্টরদা হোস্পিটাল অদুদা এদমিট তৌরিবা পেসেন্ট ১৬২ নুংশাথিনিংঙাই ওইদে হায়নসু খঙহনখি।

# জে এন্দ কেগী এল ও সীদা টেররিষ্ট ৫, লান্মী ৩ খুৎ থোক্লবদা শিরে



শ্রীনগর, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি) :
নোংমাইজিং নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)গী কারেন সেক্তরদা চথখিবা এন্টি-ইনফিলট্রেসন ওপরেসনদা অশোক-অপন নংখিবা লান্মী ২ অমসু মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না দিফেন্স সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাংদা কারেন সেক্তরগী রুংদোরি বেহক এরিয়াদা নারোলদগী চঙশিলক্লবা হোৎনরিবা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্ট কাঙবু অমা আর্মিনা ইন্টরসেপ্ট তৌবদা টেররিষ্ট ৫ অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী লান্মী অমা শিখিবনি।

দিফেন্স স্পোক্সমেন কর্নেল রাজেস কালিয়ানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, ওপরেসন অদুদা ফিভম থিনা অশোক-অপন নংখিবা লান্মীশিংগী মনুংদগী লান্মী অনী অমসু লৈখিদ্রে। হৌজিক মফম অদুদা মখা তানা ওপরেসন চথুরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা জে এন্দ কেদা টেররিষ্ট ৯ হাৎখি হায়না দিফেন্স সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

টেররিষ্ট ৯ অদুগী মনুংদা থাংজ নুমিত্তা সাউথ কাশ্মিরগী বাটপুরা এরিয়াদা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট ৪ হাৎখি অমসুং মীচমশিং হাৎপদা চেন্নবশিংনি। থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা সী আর পি এফ অমসুং এস ও জিনা কুলগামদা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথখি। ওপরেসন অদুদা ঐচ এম গ্রুপকী হার্দকোর মিলিটেন্ট ৪ শিখি অমসুং মখোয়দগী য়াল্লবা খুৎশু-খুৎলায়শিং লৌখৎখি। গ্রুপ অসি হন্দক্তা থোকখিবা মীচম কয়া হাৎখিবগী থৌদোকশিংদা চেন্নখি হায়না দিফেন্স সোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। কুলগামগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মিলিটেন্টশিং মশক খঙদোকপা ঙম্লে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।